নুপী অমা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস) :

ঙসি নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবদা মতমদা কৈশাম্পাৎ জেলর লৈরক্তা নুপী অমা নুমিদাংগী চাক তোল্লগা ৱাকিং থোরকপদা খঙহৌদনা য়ুমগী কোন্থোং ময়াদা লেকথরকপদগী লায়কন্ননবা রিমসতা পুখৎপগী লৈম্বীদা লৈখিদ্রে হায়রি।

নুপী অদুগী মমিং খুম্বোংময়ুম নিংঙোল ভৈগ্যবতি (৬৫) কৌই। মহাক কৈশাম্পাৎ জেলর লৈরক্তা লৈবা অশানবা য়ুম অমদা লৈবনি। মীয়াম্নদি মহাক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী শিবা ওইরমগনি হায়না চিংনখি। মহাক খুদক্তা টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওই। মহাক অসি হার্ট এটেক তৌবদা লৈখিদবা ওইগনি হায়না থাজনরি।

চহী ১৮-৪৪ ফাওবগী মীওইশিংনা...

লামায় ১গী মখা... কাঙলুপ অসিগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংদা কাপকদবা হিদাকশিং অদু ভেক্সিন মেন্যুফেকচররশিংদগী ষ্টেট গভর্ণমেন্ট নৎত্রগা প্রাইভেট ভেক্সিন সেন্টরশিংনা হকথেংননা লৈগদবনি হায়রি। হায়রিবা চহীগী কাঙলুপ অসিগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংদা হিদাক কাপ্পগী থবক অসি মখোয়না মাঙজৌননা তৌরকপা ওনলাইন এপোইন্টমেন্টকী মতুংইন্না চত্থগনি। ভেক্সিনেসন অসিগীদমক্তা হকথেংননা লাকপগী অয়াবা পীরোই। কাঙলোন অসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীরকপা গাইদলাইনগী মতুংইন্ননি হায়রি। মরম অসিনা ভেক্সিনেসনগীদমক অথুবা মতমদা হায়রিবা হিদাকশিং অসি ফংবগা ওনলাইন এপোইন্টমেন্টগী থবকশিং চত্থগনি। হিদাক কাপথোকপগী থবক অসি লৈঙাক্কী ভেক্সিন সেন্টরশিংদা পাঙথোক্কনি। লোয়ননা প্রাইভেট ভেক্সিন সেন্টরশিংনসু হায়রিবা ভেক্সিনেসন অসিগীদমক মেন্যুফেকচররশিংদগী হকথেংননা হিদাকশিং লৈগদবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক লৈবাক অসিদা চত্থরল্লিবা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থবকশিং অসি হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবা চহী ১৮-দগী ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংদসু হয়েংদগী হৌরদুনা হিদাক কাপথোকপা হৌরগনি হায়দুনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা থা অসিগী ১৯দা মাঙজৌননা লাউথোকখ্রবনি। মণিপুরগী ওইনা ঙসি ফাওবদা চহী ৪৫গী মথক্তা লৈবা অপূনবা মীওই ১,৭৩,০৫৬ হিদাক কাপথোকখ্রবনি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.477205
US Dollar	74.066329
British Pound	103.011604
Australian Dollar	57.456144
Chinese Yuan Renminbi	11.453573
Japanese Yen	0.679946
Malaysian Ringgit	18.089303
Singapore Dollar	55.775882
South Korean Won	0.066481
Saudi Arabian Riyal	19.751021
Thai Baht	2.376907

GAS NEWS

HEIROK INDANE
Valid from 16-03-2021
Booking upto 01-04-2021
Stock:- 306
Office Contact timing :- 9.30 am to 2.00 pm

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING upto 13-03-2021
VALID FROM 08-03-2021
STK 306
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 01-05-2021
CONTACT NO 7005695308, 6009772483

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Booking:22-4-2021
Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991,9362654114,03853560556. Time 8:30 to 12:30 Adminstrative Office close on Sunday and holiday. Also Encouraged online payment. Those who haven't received within the aforesaid time please show the second copy or personal copy and along with mobile phone. also available 19kg and 5kg

LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING upto:26-02-2021
VALID FROM : 20-02-2021
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS:
9862836403, 8415050488, 9862283423
CALL TIME : 7am to 10am

GBD INDANE SERVICE
Booking upto :-25/03/2021
Valid from :- 02/03/2021
Stock :- 298
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-11 AM and 2pm -4pm (Every-day Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

থৌনাওজম বৃন্দাগী ক্রিমিনেল পিটিসন মণিপুর হায় কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনন ঙসিদগী চহী ৯ লোমগী মমাঙদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অমা অমুক হন্না হিঙ্গৎহন্নবগীদমক চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টনা ওগষ্ট ২১, ২০২০দা পীখিবা ওর্দর অদুবু চৎনহনবীগনু হায়দুনা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী এম পি এস ওফিসর থৌনাওজম বৃন্দা মশামক্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল পিটিসন নম্বর-২২ ওফ ২০২০ অদু কোর্ট অসিনা দিসমিস তৌখ্রে।

পিটিস্নর টি ঐচ বৃন্দানা সী আর পি সীগী সেক্সন-৪৮২গী মখাদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অদুনা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনননা কুমজা ২০১২না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর- ২৭০(৫)২০১২ অন্দর সেক্সন- ৩২৮, ৫১১, ৪৪৭, ৫০৬, ৩৪, ৩৫৪, ৩০৭, ১২০-বি আই পি সী অমসুং আর্মস এক্টকী সেক্সন- ২৫(১-বি) অদুবু অমুক হন্না রিভাইভ তৌনবগীদমক পীখিবা সী জে এমগী ওর্দর অদুবু চেলেঞ্জ তৌরকখিবনি। অদুবু পিটিস্নরগী ক্রিমিনেল পিটিসন অসিগী মায়োক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী হোমগী সেক্রেটরিনা মিসেলিনস কেস (ক্রিমিনেল পিটিসন) নম্বর- ১৩ ওফ ২০২০ ফাইল তৌশিল্লক্তুনা পিটিস্নরগী ৱাফমশিং অদুবু কাউন্টর তৌরকখি। লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকপা ক্রিমিনেল পিটিসন অদু জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা লৌখৎলগা খন্নরবা মতুংদা মসিগী অরোইবা হিয়রিং ফেব্রুৱারী ২৪, ২০২১দা পাঙথোক্লগা রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর থা অসিগী ১৫দা লাউথোকখ্রে। লোয়ননা টি ঐচ বৃন্দানা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল পিটিসন অদু দিসমিস তৌরে হায়খ্রে।

পাউচেগী ওফিসতা বোম লংশিল্লম্বা কেসকী এক্যুইজ ১ জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস) :

ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২১গী নুমীদাংৱাইরম পুং ৬.৩৮ রোম তারকপদা কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈরক মচিন্দা লৈবা পোক্লফম অমসুং পিপলস ক্রোনিকলগী ওফিসতা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিল্লম্বা থৌদোক্কী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাদুনা থম্লকখিবা এম দি অস্লম খান, পোকপা এম দি সিরাজউদ্দিন, ক্বাক্তা ৱার্দ নম্বর ৭ ঙসি সী জে এম/ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱাই সোমোরজিৎনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

এম দি অস্লম খান হায়রিবা এক্যুইজ অসি মাইনরনি হায়দুনা কোর্টসিদা ৱাকৎলকখিবনি। অদুবু মহাক্না তম্লকখিবা স্কুলগী এদমিসন রেজিষ্টর পুখৎহল্লক্লগা চেক তৌদুনা য়েংবদা মহাক্কী পোকপগী চহী অদু শেমদোক শাদোক্লম্বা থেংনরকখিবনি হায়রি।

জিরিবামগী দুকান/ কৈথেল রোষ্টরদা হাংলনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস) :

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার দল্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না হয়েং মে ১দগী হৌরদুনা জুন ১ ফাওবা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী এরিয়াদা লৈরিবা দুকান অমদি কৈথেল পুন্নমক নোংমাইজিং নুমীৎতা থোঙ লোনবগা লোয়ননা অতৈ নুমীৎশিংদা রোষ্টর সিষ্টমদা হাংদোক্লবা ওর্দর থোকখ্রে। খোঙথাং অসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী য়েংলগা লৌখৎলকপনি হায়রি।

মালেমগী শিন্নীশিংগী নুমীৎতা পিপলস ৱার গ্রুপনা পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ : মে দেনা লাকপদা শু-নোমদুনা হিংলিবা লৌমী-শিন্নীশিংগী মফমদা কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি পিপলস ৱার গ্রুপকী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পিপলস ৱার গ্রুপ (মাক্সিষ্ট সেন্টর)গী সেন্ট্রেল মীদিয়া কোওর্দিনেটরগী সেক্রেটরি কমরেদ লেনিন মৈতৈনা থোরকপা চেরোল হায়বদা মালেমগী লৌমী-শিন্নীশিংগী নুমীৎ ইন্টরনেসনল লেবর দেনা লাকপদা মরুওইনা শু-নোমদুনা হিংলিবা শিন্নীশিংদা পিপলস ৱার গ্রুপ (মাক্সিষ্ট সেন্টর)না য়াওলগী ঈকায় খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা অপূনবগী পাঙ্গল অমগা লোয়ননা কেপিটেলিজমবু মৰূ ফুক্তুনা প্রোলিটরিয়েট পিপলস রেভল্যুসন মায় পাকহল্লসি হায়না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মালেম পুম্বদা অৱাবা অমদি অকিবা পোকহল্লিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা নোংমগী শু-নোমদুনা ইমুং পুজরিবা লৌমী-শিন্নীশিংদা পীরিবা অৱাবা অসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা উবীবগী মহুৎতা অখুবা পোলিটিক্স তৌদুনা হেন্না হেন্না অৱাবা পীবীরি হায়রি। কুমজা ২০২০দগী হৌরকখিবা কোভিদ-১৯ তপ্না তপ্না ফরক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লুরবা মতুংদা অমুক কুমজা ২০২১ হৌরকপদা সেকেন্দ ৱেভ কমদৌনা লাক্লিবনো হায়বগী মরম অসি হৌজিক পাল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক অসিনা থৌশাদবননি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়রি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবনি হায়দুনা অকক্নবা পুংশিং থমদুনা চৎপা থোকপদা অথিংবা থম্বনা ব্রজুৱা ফেমিলিশিংদা অৱাবা পীদ্রবসু নোংমগী শু-নোমদুনা হিংজরিবশিংদা কয়ামুক অৱাবা পীরি হায়বা অদুদি খন্থদ্রি। কোভিদ-১৯ নাদুনা শিবদগীদি চরা হেন্দুনা শিবা মীশিংনা হেল্লকপগী তানফম অমদা লাক্লি। লৈঙাক্কী মেছিন্নরি ফোর্স অমা ওইরিবা পুলিসশিংনা কর্ফিয়ু থুগায় হায়দুনা নোংমগী খুৎশুমল পুদুনা লাকচবা শিন্নীশিংদগী ফাইন ওইনা থিহনবগী পাউ ঐখোয় পুম্বনা তৎতনা তারি। শুরগা চাবা, শুদ্রগা তোকপা, হেন্দ টু মাউথতা হিংলিবা লায়রবা শিন্নীশিংদা পুলিসকী থৌওং অসিনা কয়ামুক হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা অৱাবা পীরি হায়বদুদি নোংমত্তা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা খন্থবগী মমি উদ্রি হায়রি। হৌজিক ঐখোয়গী লমদম অসিদা লৈরিবা লায়রবা লৌমী শিন্নীশিং পুনশিন্দুনা অওনবা মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক কেপিটেলিষ্টশিং অমদি কেপিটেলিজমবু পামজবশিংগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা অকনবা প্রোলিটরিয়েট পিপলস রেভল্যুসন অসিদা লায়রবা লৌমী-শিন্নীশিং হুপ্পা শৌগৎমিন্নদুনা অওনবা মান্নবা খুন্নাই অমা শেম্লসি হায়নসু আপীল তৌরক্লি।

এন আর এফ এমনা মে দেগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ : হয়েং মে ১, শিন্নীশিংগী নুমীৎ লাকপগী মাঙওইননা নেসনল রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট, মণিপুর (এন আর এফ এম)গী সেন্ট্রেল হেদ ক্বার্টরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনাজাওবা মৈতৈনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী চেরোল অসিনা হায়, শিন্নী হায়বসি মরুওইবা মীওইবা অমদি মীওইবগা পুন্না লৈমিন্নরিবা থৱায় পানবা ফাওবগী কোনশিন্দুনা হিংনবগী লম্বীদা পুন্নমকপু পোকপীরিবা ইমা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অসুক মরুওইবা শিন্নী হায়বা থবক শুজ-নোমজরিবা অসিবু নৈহৎতুনা শেঞ্জাও পায়বা অমদি শেঞ্জাও পায়নবা তান্নরকপা লল্লোন খুৎপুগী খুৎতা তাদুনা শুদৎ নৈথৎতুনা শিন্নীশিংবু খঙবীবা ঙমদনা নৈহৎপীরকপা অসিগুম্বা কয়া ঙসি ফাওবা মালেমগী মফম কয়াদা লেপ্পা লৈতনা অদুম্মক চৎনবী অসি মুত্থৎপা ঙমদনা লৈরি। অদুবু শিন্নীগী নুমীৎ মে দেনা লাকপগা ঈরোয়ননা মালেমগী অমদি মণিপুরগী শুজ-নোমজদুনা হিংলিবা শিন্নীগী থাক পুম্বা শিন্নীগী ওইবা ফংফম থোকপা থাক অদুদা কাখৎতুনা লেংদনা লৈনবা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নদুনা চহী খূদিং নুমীৎ অসিনা নীংশিংহন্দুনা থৌনা পীররে হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্কী ওইমিন্নসি হায়রি। নুমীৎ অসিনা শিন্নীশিংগীদি অশেংবা নুমীৎ অদু উহনবনি হায়বসি খঙমিন্নদুনা অপূনবা অমদি তৌফম থোকপা শিন্নীশিংগী মপু নুমীৎ অসিনা ওইহল্লসি হায়রি।

সী এমনা মে দেগী য়াইফ পাউজেল...

লামায় ১গী মখা... শিন্নীশিংগী য়াইফ থৌরাং অমসুং অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লাকপা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংগী ইমপ্লোয়মেন্ট জেনরেসনগী থবকশিং পায়খৎলি হায়বগা লোয়ননা নুমীৎ অসিনা লাকপদা শিন্নীশিংগী মথৌনা হেন্না কনখৎহনবা ওইরসনু হায়রি।

অমরোমদা, মে দেগী মাঙওইননা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দ, মণিপুর লৈঙাক্কী ৱর্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ, লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রতনসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

লোয়ননা ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (মণিপুর ষ্টেট কম্মিটি)গী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারগী মায়কৈদগীসু মে দেগী মাঙওইননা শিন্নীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা শিন্নীশিংগী মফমদসু ঈকায়খুম্নবা উৎলক্লি।

কে আর এগী আর্মি চীফ বোদি...

লামায় ১গী মখা... কৌই। অদুগা মহাক্কী পর্সনেল বোদি গার্দ অদুগী মমিংনা লমগিনলেন হংসিং (২০), অপোকপা হেল্লাল হংসিং কৌই। তিংপিবুং ভিলেজ দগীনি হায়রি। নোংমৈ পায়বা শকখঙদবশিং অদুগী এটেক অদুদা আর্মি চীফ অদুগী থবাক অমসুং পুক্তা নোংমৈ মরুশিং পানবগী মফমশিং লৈরমখিবগী মথক্তা মহাক্কী কোক্কী শরুক অদুসু নোংমৈ মরুনা পানবদগী শরুক খরা য়াওরমদ্রে হায়রি। অদুগা মহাক্কী বোদি গার্দ অদুগীনা পুক্কী শরুক্তা নোংমৈ মরু কয়ামরুম পানফম লৈরমখি হায়রি।

থৌদোক থোকখ্রিবা লুংতিন ভিলেজ অসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সব-দিভিজনল হেদ ক্বার্টর অমা ওইবগা লোয়ননা সাইকুল পুলিস ষ্টেসনদগী কিলোমিটর ১৪ রোম লাপ্পনা লৈবনি। কে আর এগী দিজিগনেটেদ কেম্পসু লুংতিন ভিলেজ অসিদগী কিলোমিটর খরদমক লাপ্পরগা লৈবনি হায়রি। থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা সাইকুল পুলিসনা ৩৮-শুবা অসাম রাইফলস অমসুং সী এস ওশিংগা থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা থিজিনখি। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎপা নত্তনা থৌওং অদু কনানা করিগীদমক্তা চথরিবনো হায়বদুগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি।

ফর্স্ট এম আরদা কোভিদ কন্ট্রোল রুম হাংখ্রে আই এ...

লামায় ১গী মখা... লোয়ননা গাইচুংপৌ গোনমৈ (একাউন্ট ওফিসর)না ষ্টেসন্নরিশিংগী থৌদাং লৌগনি। অদুগা হেদ ক্লাক বি দেব চক্রপানিনা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি/কম্যুনিকেসনগী থৌদাং লৌগনি। কো-ওর্দিনেটর এস তোনদাংনা সেক্তর পুন্নমকপু লাইএজন তৌবগী থবক পাঙথোক্কনি। অদুগা ৱাই শান্তিকুমার ফার্মাসিষ্টনা ষ্টোর আইটেমশিংগী থৌদাং লৌগনি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি থোকখিবা দি পিগী ওর্দর অমনা কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি অমসুং সেক্রেটরি ওইরিবা আই এ এস ওফিসর অনী- নিধি কেশরৱানি অমসুং চিফাং অর্থর ৱোরচুইয়োবু মথংশিংনা ওক্সিজেন সপ্লায়, কোভিদ হোস্পিটাল/আই সী য়ুগী ফমুংশিং, কোভিদ কেয়র সেন্টর অমসুং হোম আইসোলেসন অমদি কোভিদ ভেক্সিনেসন অমসুং ষ্টেট অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী কোভিদ কন্ট্রোল রুমশিংগী থবকশিংদা মতেং পাংনবা খঙহনখ্রে। মখোয়দা শীন্নরিবা থবকশিং অসিগীদমক পন্থদনা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র)দা রিপোর্ট তৌরনবসু খঙহনখি।

অমরোমদা, দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) মণিপুরনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, জোন ৱান, টু, থ্রী অমসুং দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস রেঞ্জ টু, থ্রী অমসুং ফোরদা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিং শীন্দুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎলক্লিবা কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্টকী থবক থৌরমশিং মখোয়দা পীরিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা তোয়না চৎতুনা ইমপ্লিমেন্টেসন তৌনবগী সুপর ভিজনগী থবকশিং পাঙথোক্লবসু খঙহনখ্রে হায়রি।

মণিপুরগী কোর্ট পুন্নমক্কী থবক...

লামায় ১গী মখা... কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা হিয়রিং চথনবা হায়জরকপা য়াগনি। অদুগা মরী লৈনবা জজশিংনসু কেসশিং অদুগী চপ চাবা ওর্দর পীনবগীদমক পন্থদনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা হিয়রিং পাঙথোক্কনি হায়রি। লোয়ননা হান্নদগী ইন্টরিম ওর্দরশিং পীদুনা লাক্লগা ঙসি খন্নবা লিষ্ট তৌখিবা মেট্টরশিং য়াওনা মে ৩দগীনা ৬ ফাওবদা লৌখৎতুনা খন্নবা লেপখিবা মেট্টরশিংগী ইন্টরিম ওর্দরশিং মথংগী কেসশিং অদুগী মতম ফাওবগী ওইনা শাংদোক্লগনি হায়রি। কনাগুম্বশিংনা খুদক্তা খন্নগদবা অনৌবা মোসন মেট্টরশিং তঙাইফদবা লৈরগদি মে ৭ ফাওবগী মমাঙদা মেট্টরশিং অদুগী মরী লৈনবা কাউন্সেলশিংনা কোর্ট অসিগী রেজিষ্ট্রার (জুদিসল)দা মেট্টর অদু অথুবনি হায়বগী মরমশিং পীরগা হায়জরক্কদবনি হায়রি।

অমরোমদা, ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট/ট্রাইব্যুনেলশিংসু ঙসিদগী হৌরগা মথং থাগী ৬ ফাওবগী ওইনা মখোয়গী নোর্মেল সিটিংশিং সস্পেন্দ তৌরগনি হায়নসু নোটিফিকেসন অসিনা ফোঙদোক্লি।

আপীল ফাইল তৌবদা অয়াবা পীবীয়ু হায়বা প্রেয়র হায় কোর্টনা...

লামায় ১গী মখা... কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুরনা দিসেম্বর ১৭, ২০২০দা পীখিবা জজমেন্ট অদুবু শীংনরদুনা মদুগী মায়োক্তা আপীল ফাইল তৌরকপদা অয়াবা পীবীনবা হায়জরকখিবনি।

মখোয়না কোর্টতা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা আপীলেন্টশিং ওইরিবা মখোয় মীয়ামগী রাইট, লাইফ অমসুং লিবর্টিগীদমক্তা পান্থোম তীংলিবা 'দি ৩.৫ কল্লেক্টিভ'কী মেম্বরশিংনি হায়বগা লোয়ননা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুরনা স্পেসল ট্রাইয়েল কেস নম্বর- ১০০ ওফ ২০১৮ অদুগী লাউথোকখিবা জজমেন্টতা পুলিসকী মায়কৈদগী এক্যুইজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরকখিবা মীওই তরেৎপু মরাল লৈরমদ্রে হায়দুনা থাদোকখিবা অদুবু য়ানিংদে হায়খি। আপীল্লেন্টশিং অসিগী কল্লেক্টিভ অসিনা হায়রিবা জজমেন্ট অদুগী মায়োক্তা এপ্রোপ্রিয়েট ফোরম অমদা আপীল ফাইল তৌবীনবা অইবা চেরোলশিং প্রাইম মিনিষ্টর, চীফ মিনিষ্টর অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী স্পেসল সেক্রেটরি (হোম)দা পীশিনখিবা লৈখ্রে। অদুবু ওথোরিটিশিং অসিগী মায়কৈদগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী মায়োক্তা আপীল ফাইল তৌরক্নবগী থবক অমত্তা লৌখৎলক্ত্রে হায়খি। তশেংনমক মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক প্রোজিক্যুটর (দিষ্ট্রিক্ট)গী মায়কৈদগীসু দিসেম্বর ২১, ২০২০দা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুরগী স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটরনা সবমিট তৌরকখিবগী মতুংইন্না হায়রিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী মায়োক্তা আপীল ফাইল তৌনবগী মরমশিং পীশিনখ্রবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী আপীল ফাইল তৌরক্তবদগী আপীল্লেন্টশিং অসিগী মায়কৈদগী জজমেন্ট অদুগী মায়োক্তা আপীল ফাইল তৌবা য়ানবগী অয়াবা পীবীয়ু হায়দুনা মিসেলিনস কেস (ক্রিমিনেল আপীল) অসি ফাইল তৌবনি হায়খি। হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা আপীল্লেন্ট মরিগী প্রেয়র অসি লৌখৎতুনা খন্নবা হৌরকপদা প্রেয়র এপ্লিকেসন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৪ ওইরিবা লুখোসৈজৌগী মায়কৈদগী হায় কোর্টতা কাউন্টর এফিদেবিট অমা ফাইল তৌরকখি। মহাক্না ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিংনা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস) মণিপুরনা চহী অনী মখায়রোম চঙনা ৱায়েল চত্থরবা মতুংদা দিসেম্বর ১৭, ২০২০দা লাউথোকখিবা জজমেন্ট অদুনা মহাক মশামক অমসুং অতোপ্পা মীওই ৬কী মথক্তা শীরিবা মরালশিং অদুবু ককথৎলগা এক্যুইট তৌরকখিবনি। কেস অসিগী চার্জ ফ্রেম তৌবগী মতমদসু অতোপ্পা এক্যুইজনি হায়দুনা চার্জ তৌরম্বা মীওই মরিসু কেস অসিদগী দিসচার্জ তৌখ্রবনি। অদুগা দিসেম্বর ১৭, ২০২০দা লাউথোকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুদা কেস অসিগী এক্যুইজ অনী চহী ১৫/১৫গী ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা লুপা লাখ ১/১গী শেনফমসু ফাইন ওইনা থিহনখিবনি। ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদকী সেক্সন-৩৭৮(১)গী মতুংইন্না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পব্লিক প্রোজিক্যুটরদা হায় কোর্ট খক্তা নত্তনা অতোপ্পা কোর্ট অমনা পীরকপা ওর্দরগী মায়োক্তা হায় কোর্টতা আপীল ফাইল তৌনবা দিরেক্সন পীবা য়াই। অদুবু মিসেলিনস কেস (ক্রিমিনেল আপীল) অসিগী আপীল্লেন্টশিং অসিদি কেস অদুগী ইনফোর্মেন্টশিংসু নত্তে। অদুগা ভিক্টিমসু নত্তে। মরম অদুনা মখোয়গী মায়কৈদগী জজমেন্ট অদুগী মায়োক্তা আপীল তৌরক্নবগী অয়াবা ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদকী সেক্সন-৩৭২না পীদে। মরম অদুনা মখোয়গী প্রেয়র অদু কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নফম থোক্তবনা দিসমিস তৌবীগদবনি হায়রকখি।

হায় কোর্টনা ক্রিমিনেল আপীল অসিগী ৱায়েলশিং চত্থরকপদা আপীল্লেন্ট মরিগী মায়কৈদা কাউন্সেল এম গুনেধোরনা লেপখি। অদুগা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা এদভোকেট জেনরেল নাওরেম কুমারজিৎ, কাউন্সেল টি ঐচ তোলপিশক অমসুং এল সৈতেন্দ্রনা লেপখি। লোয়ননা কোর্টনা নাকল অনীমক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংনা তৌনরকখিবা সবমিসন/আর্গ্যুমেন্টশিং তারবা মতুংদা আপীল্লেন্টশিং অসিনা স্পেসল ট্রাইয়েল কেস নম্বর- ১০০ ওফ ২০১৮ অদুগী দিসেম্বর ১৭, ২০২০দা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুরনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী মায়োক্তা আপীল ফাইল তৌবগী লিগেল রাইট লৈতে হায়বগা লোয়ননা মখোয়গী মিসেলিনস কেস (ক্রিমিনেল আপীল) নম্বর- ১৫ ওফ ২০২০ অদু দিসমিস তৌরে হায়খি।

পনবা য়াবদি, এন এ বি পুলিস ষ্টেসনগী সব-ইন্সপেক্টর পি ঐচ বুলবুলনা জুন ২০, ২০১৮গী অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা পুলিস ষ্টেসন অসিগী ওফিসর ইন-চার্জদা ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না জুন ১৯, ২০১৮গী নুংথিল পুং ৪.০৫দা মহাক্কী সোর্ছমেন্ট অমা লাক্তুনা পীরখিবা ইনফোর্মেসনশিংদগী মতম অদুগী এন এ বিগী এদিসনল এস পি, টি ঐচ বৃন্দানা লুচিংবা পুলিস পার্টিনা চত্থিবা রেইদশিংদা লুপা ক্রোর ২৭ রোমগী ইল্লিগেল দ্রগশিং, চৎনদ্রবা অমসুং চৎনরিবা শেলয়ামশিং অমদি নোংমৈনচিংবা ফাগৎখিবনি। মদুগী মতাংদা এন এ বি পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর-৪৩(৬)২০১৮ অন্দর সেক্সন-২২(বি), ২২(সী), ২১(সী), ২৫, ২৯, ৬০(৩) এন দি এন্দ পি এস এক্টনি।

কোরকোমনা শিন্নীশিংদা য়াইফ পাউজেল...

লামায় ১গী মখা... ঙসি কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ শাথিবা চৈথেং নংলিবসি লৈঙাক অসিগী কোভিদ মায়োক্লবগী অশোয়বা থৌশিল অমসুং লৈঙাক্কী অচেৎপা পোলিটিকেল কম্মিটমেন্ট লৈতবননি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না মীওইবগী পুন্সিদগী শেলনা হেন্না মরুওইনা খল্লি। মরম অদুনা লাইচৎ অসিগী অহানবা ৱেভ নীংথিনা কন্ট্রোল তৌদ্রিঙৈদা লাইচৎ অসি শুক্লে লৈত্রবগুম অথিংবা পুন্নমক কোমথোকখিবদগী অনীশুবা ৱেভ লাকপসিদা মীয়াম্না হায়নিংঙাই লৈতনা ৱারিবনি। অমরোমদা ইন্দিয়াদগী হান্না লাইচৎ অসিগী চৈথেং ফংখ্রবা লৈবাকশিংনা হেন্না চেকশিন থৌরাং লৌদুনা ভেক্সিন কাপ্পা, হকশেলগী মচাক মথুম ফগৎনবনচিংবা থবক কয়া মাঙজৌননা পায়খৎহৌবদগী ঙসি অনীশুবা ৱেভ লাকপসিদা থোইদোক্না খুদোংথিবা নংবা উদ্রি। অসিগুম্বা তৌফম থোকপা তঙাইফদবা থৌরাংশিং অসিদি লৌখৎতনা মসিগী ওন্ন-তৈনবদা লৈঙাক্কী মঙম পায়নবগীদমক তাঙ্কক নাইনা পার্লিয়ামেন্ট অমসুং ষ্টেট এসেম্বলীশিংগী মীখল পাঙথোক্তুনা অমসুং তুংদা করি ওইরক্কদগে খন্থদনা লাইনিংদা লূপতুনা কুম্ভ মেলা থা কয়া চুপ্পা পাঙথোকহনবদগী ঙসিদি লাইচৎ অসি হান্নদগী হেন্না পাক শন্না শন্দোকহল্লে। লাইচৎ অসিগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী থৌদাং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী নত্তে হায়না চেনবা য়াগদৌরিব্রা। লৈঙাক অসিগী অশোয়বা থৌশিল কয়া অসি উবদগীনি ইন্দিয়াগী জুদিসিএরিগী কোকতোনদা লৈরিবা সুপ্রীম কোর্টনা লাইচৎ অসি থেংননবা লৈঙাক্লা করি থৌরাং লৌখৎলিবগে হায়বদু কোর্ট অসিদা খঙহল্লকউ হায়রক্লিবসি। শুপ্নতগী লৈঙাক্কী মঙম পায়বা হায়বসি খক্তদা লাইনিং ওইখিবদগী কোভিদকী প্রোটোকোল ঙাকপা ঙম্নি ঙম্মোই খঙদনা লৈঙাক্না ইলেক্সন কম্মিসনদা ইনশিন্দুনা মীখল তৌহনবদগী মীখলগী মতমদা কোভিদ প্রোটোকোল ঙাক্তনা মীখলগী কেম্প্যেন, রেল্লি, মীটিং অমসুং ভোট থাদবদগী লাইচৎ অসি অকিবা ফংনা শন্দোরকখি। মসিনা মরম ওইদুনা মদ্রাস হায় কোর্টনা পীবা ওবজার্ভেসন অমদা মীখলদি পাঙথোকহল্লগা কোভিদকী প্রোটোকোলদি ঙাকপা ঙমদে হায়দুনা মীশি মীনা ময়াম অমা থোকহল্লিবসিগীদমক ইলেক্সন কম্মিসনবু মী হাৎপগী মরাল শীদুনা ৱায়েনগদবনি হায়খ্রে। তশেংনা হায়রবদি খজিক্তং মাঙজৌননা চেকশিল্লম্লবদি থোক্লমদবা য়াবা অসিগুম্বা খুৎশেমগী অৱাবা ময়াম অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অশোয়বা থৌশিলননি। অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা লৈবাক অসিগী লৈঙাক্কী অশোয়বা অসিনা মখোয়গী লোই ওইনা লৈরিবা থৌশাবীদ্রবা ইরমদমগী মীয়ামসু লোইচেন্নহন্দুনা অৱাবা খুদোংথিবা মাঙহল্লে। মণিপুর (কংলৈপাক)গী লৈঙাক অসিনসু লমদম অসিগী চান্নচুনবা মশাগী ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা মীয়াম্বু লায়না-লাইচৎ অসিদগী কন্ননবা পুথোকপগী মহুৎতা মপুগী য়াথং ঙাইদুনা লৈরি।

মালেমগী পুৱারীদা লৌমী-শিন্নীগী অপূনবা পাঙ্গলগী মতিক ময়াই অমদি মখোয়গী অফবা পুন্সি মরেল ফবগী শক্তম উবা নৎত্রগনা তাবা ফংলগসু ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা লৌমী শিন্নীশিংগী পুন্সি মরেলদা অৱাবগী মশকনি। অপীকপা লম ওইবা অমদি অচৌবা ফেক্টরি মরাং কায়না লৈতবতা নত্তনা ইরমদম মণিপুর (কংলৈপাক)গী শিন্নীশিংগী অপূনবা পাঙ্গল অমদি মতিক-মঙম শাগৎপদা মপুং ফাবা ঙমদ্রি। লৌমীশিংগী ফীভমসু অদু মঙাই, লমদম অসিগী লৌমী অমসুং শিন্নীশিং নোংম-নোংমগী অফং-অফংবা থবক শুদুনা চরা নোংলেন্নবগী থাক্তা লৈরক্লি। লোয়লম লৈঙাক্কী মখাদা মণিপুর (কংলৈপাক)না লৈরুবা অমসুং লোয়লমগী শেনবালোনগী ফিবান্নুংদা লৈরুবনা ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা লৌমী-শিন্নীশিংনা মখোয়গী তুংগী লম্বী য়েংনা থবক তৌদবা য়াদবা ফীভম অমদা লৈরি। ফীভম অসি ওইদুনসু ঐখোয়গী লৌমী অমসুং শিন্নী ইচিল ইনাওশিংনা লৈজবা থৌনা, লিংজেল অমসুং ৱাখল, লৌশিং চুংশিনমিন্নদুনা হেন্না মচু থোকপা পুন্সি মরেল অমগী অমসুং মপাঙ্গল কনবা খুন্নাই অমগী য়ুম্ফম থোন্নবা লম্বী থিদবদি য়াদ্রি। অদুবু পুন্নমক অসি ঐখোয়গী নীংতম্বা লৈবাক অমা লৈরবা মতমদতা ওইথোক্কনি। মরম অদুনা লমদমসিগী লৌমী শিন্নীশিং য়াওনা মীয়ামগী মাঙদা তারিবা অহানবা থৌদাংদি মণিপুর (কংলৈপাক)বু নীংতমহনবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পোজিটিভ কেস মশীং ২৭১দা হস্থরকখ্রে, শিবগী চাংদি...

লামায় ১গী মখা... হায়রি। অদুগা পোজিটিভ ওইখিবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী ১২ খায়দোকখ্রগা লেমহৌরিবশিং অসিনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১০৪, ইম্ফাল ৱেষ্ট-১০৫, থৌবাল-৮, বিষ্ণুপুর-১২, ককচিং-২, উখ্রুল-৭, সেনাপতি-৩, চুড়াচান্দপুর-১০, চান্দেল-৫, নোনে-২ অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতগী ১নি। পোজিটিভ ওইরবা কেসশিং অসি থেংনবগা ঈরোয়ননা কন্টেনমেন্ট অমসুং মখোয়গী কন্টেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী মতাংদা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসিসু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ৫গী পুন্সি মাঙহনখ্রে হায়রি। মীওইশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মশাগী চহী ৫২ শুরবা নুপা ১, মশাগী চহী ৬৭ অমসুং ৭৬ শুরবা নুপা ২, ককচিংদগী মশাগী চহী ৩৭ শুরবী নুপী ১ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মশাগী চহী ৪১ শুরবী নুপী ১নি হায়রি।

হায়রিবা মীওইশিং অসি মথংশিংনা রাজ মেদিসিটিদা ১, জেনিমসতা ১ অমসুং রিমসতা ৩ লৈখিদবনি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ৫ অসি থারগা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা লায়েংশঙশিংদা লায়না-লাইচৎ অসিনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ৪০৫ শুখ্রে। অদুম ওইনমক মণিপুর রাইফলসকী জমাদার অমসু ঙরাং গুৱাহাতি মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা লৈখিদবনি।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা লায়না-লাইচৎ অসিনা নাদুনা লায়েংলকপদগী দিসচার্জ তৌখ্রবা অপূনবা মীশিং ৭৪নি। মসিগী মনুংদা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ১, হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরকখিবা মীওই ৫৪, রিমসতগী ৮, জেনিমসতগী ৩, রাজ মেদিসিটিদগী ১ অমসুং শিজ হোস্পিটালদগী ৭নি হায়রি।

ঙরাংদগী ঙসিনা নুংতিগী থেংনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং হস্থরকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা লায়না-লাইচৎ অসিনা নাহনবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ৩১,৫৮৬ শুখ্রে। অপূনবা পোজিটিভ কেসকী মশীং অসিগী মনুংদা মীচম মীয়াম্না ২৮,০২২ নি। সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৫৬৪নি হায়রি। লোয়ননা ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা লায়না অসিদগী ফগৎলকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ২৯,৭৬৪নি। অপূনবা মশীং অসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশীংনা ২৬,৩১৩ ওইরগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৪৫১নি। ঙসি ফাওবদা লৈরিবা এক্টিভ কেসশিংগী মশীংনা ১,৪১৭ য়ৌরকখ্রে। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশীংনা ১,৩০৮নি। অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ১০৯ ওইরি। অপূনবা কোভিদ-১৯দগী ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৪.২৩দা লৈরি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, চৎলিবা থা অসিগী ২৫দা ইন্দিগোগী ফ্লাইট নম্বর ৬ঈ-৬১৮১গী রো ১৬-২১ অমসুং ফ্লাইট নম্বর ৬ঈ-২১গী রো ২৯-৩৫দা তোংলকখিবা পেসেঞ্জরশিংনা কম্মন কোভিদ কন্ট্রোল রুম (১৮০০৩৪৫৩৮১৮) নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেসন্স ওফিসর (দি এস ও)শিংদা খুদক্তা পাউ পীরক্কদবনি হায়রি।

লোয়ননা ঙসি ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,৭৩,০৫৬ শুরে হায়বগা লোয়ননা মশাগী চহী ৪৫গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংনা পন্থদনা রিমস, জেনিমস, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালস, সী ঐচ সী, পিঐচ সী অমসুং খনগৎলবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংদা হিদাক কাপথোক্কদবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

থবক কৌজরি
থবক্কী পাউ
[illegible]
M/s. Akoi Agro Milling Associates (Akoi Rice Mill)
Add.: Kongba Nongthombam Leikai, Near East Garden, Imphal East District,
মীওই খরা লৌজরি
মখাগী ফমশিং অসিগীদমক্তা মীওই খরা লৌজগনি, মখাদা পীরিবা নং অসিদা তাং 10/05/2021 ফাওবগী মনুংদা পাউ ফাওবিরকউ। ফম খরাগীদি অহানবা লাকপদা খুদোংচাবা পীজগনি।

Sl. No.	Name of Post	No. of Post	Experience
1.	Tata (Truck) অমদি Bolero Pick-up থৌবা ঙম্বা চহিনা ২৫ দগী ৪৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা। * Class - X গী মথক।	04	চহি ২দগী তাদনা শিনফম অসিদা পাইরক্লবা অমদি Driving Licence পাইবা ওইগদবনি।
2.	Labour/Mill Helper চহিনা ২০ দগী ৩৫। (Machine পাইবগী Training পিজগনি) * ইবা পাবা ঙম্বা ওইগদবনি।	08	মপঙ্গল ফাবিবা, নিশা শিজিন্নদবা থবক শুবা ঙম্বা মীওই ওইগদবনি।
3.	Office Accountant চহিনা ২৫ গী মথক। * (MBA finance or Graduate in Commerce with 3 yrs. in Accounting Knowledge.	02	Tally মশক থোক্লা হৈবা মীওইনা হেন্না পামজে।

Sl. No. 1 and 2 গীদমক্তা পম্বীরগদি ইমুং- মনুং পুন্না লৈমিন্নবগী লৈফম পীজগনি। অতোপপা থবকশিং অসিবু পাম্বীবশিংনা অকুপপা মরোলগীদমক্তা অথুবদা E-mail No.: akoiagro@gmail.com নত্রগা Whatsapp তা মশাগী Latest Resume থবীরকউ নত্রগা মখাগী Phone no. শিং অসিদা তৌবীরক্তুনা অকুপপা মরোল খংবীবা য়াগনি Tel. No. 8787894396/7085184590/8257840679 লোইননা Application শিং অপুম্বা Scrutiny তৌরবা মতুংদা Interview গী মতম খংহনজরক্কনি।

HL-P/9716/30 to 01/05